## অনৌবা কেস ৫০ য়ৌদ্রে

বৈজিং, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
হৌখিবা দিসেম্বরদা অনৌবা কোরোনাভাইরস শন্দোকপা হৌখিবদগী থেংনবা খ্বাইদগী নেম্বা ইনফেক্সন মশিং ওইনা মেনলেন্দ চাইনাদা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৫০ দগী ফাওবা হন্থরক্লে হায়না চাইনিজ হেল্থ ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী মতুং ইন্না থাংজ নুমিৎকী অথেংবফাওবদা অনৌবা কেস ৪৪ রিপোর্ট তৌখি। মপান্দগী হৌরকখিবা কেস অহুমখক নত্তনা কেস পুন্নমক্তু লাইচৎ অদুগী ইপিসেন্টর ওইরিবা হুবৈ প্রোভিন্সকী ৱুহানদগী রিপোর্ট তৌখিবনি।

## য়ু এসতা ১৯ শিরে

ৱাশিংটন, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
ৱাশিংটন ষ্টেটতা মীওই অনী অমসু নোভেল কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা শিরে হায়না ওফিসলশিংনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিনা শিহনবা মী মশিং ১৯ য়ৌখ্রে। ন্যু য়োর্ক সিটিদা কনফার্ম তৌবা কেস মশিং ৮৯ দা হেনগৎখিবগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবা পেসেঞ্জর কয়া তোংবা ক্রুজ জহাজ অমা মখা তানা সান ফ্রান্সিকোগী মনাক্তা ফাইদুনা লৈরি হায়রি।

# চাইনাদা ক্বারেন্টাইন সেন্টর ওইনা শীজিন্নবা হোটেল অমা নীংখায়দুনা মীওই ১০ শিরে



সাংহাই, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
চাইনাগী ক্বাংজৌ সিটিদা লৈবা মীওই কয়া মেদিকেল ওবজার্ভেসন তৌদুনা তোঙান্না থম্বদা শীজিন্নরিবা হোটেল অমা নীংখায়রকপদগী মীওই ১০ শিরে অমসুং অতৈ মীওই ২৩ না অকায়-অতোয় মরক্তা ফুমজিন্দুনা লৈখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
হান্নদি থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা মথোল তরেৎকী বিল্ডিং অদু নীংখায়খিবদা মীওই ৭০ হেন্না অকায়-অতোয়শিংনা ফুমজিনখ্রে হায়না থাজনখিবনি। মিনিষ্ট্রি ওই ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, নোংমাইজিং নুমিত্তা বৈজিংদা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতম ফাওবগী মনুংদা ওথোরিটিশিংনা বিল্ডিং নীংখায়রিবা মফম অদুদগী মীওই ৪৮ অকায়-অতোয়শিংগী মরক্তগী লৌথোকখি। মখোয়গী মনুংদগী ৩৮ দি তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎখি।
থাংজ নুমিৎকী অহিংদা মফম অদুদা ফায়র ফাটরশিং, পুলিস ফোর্সশিং অমসুং অতৈ ইমজেন্সি রেস্পোন্দরশিং য়াওনা মীওই ১০০০ হেনবগী রেস্ক্যু ফোর্স অমা থুংখি হায়না ওথোরিটিশিংনা মিদিয়া কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।
ওথোরিটিশিং অদুগী মতুং ইন্না বিল্ডিং নীংখায়বা মতমদা মনুংদা লৈরিবা মীওই ৭১গী মনুংদা ৫৮ দি কোরোনাভাইরস লাইচৎকা মরী লৈননা মফমদুদা তোঙান্না থল্লিবনি।
ষ্টেট মিদিয়া আউটলেট সীনহুৱাগী মতুং ইন্না য়াং কৌবা বিল্ডিং অদুগী মপু পুলিসনা কৌখৎখ্রে। নীংখায়রকপা মতমদুদা বিল্ডিংদুগী অহানবা ফ্লোর শেমজিন-শাজিন্দুনা লৈরম্বনি।
চাইনাদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং নেমথরকখিবগা ইরোয়ননা বিল্ডিং নীংখায়বগী থৌদোক অসি থোক্লকখিবনি। চাইনাগী নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী দেতা মতুং ইন্না ভাইরস অসিগী কেসশিং থাংজ নুমিত্তা মমাংগী নুমিত্তা লৈখিবা মশিংদগী তঙ্খায় অমরোম হন্থখি। মার্চ ৭ কী অথেংবফাওবদা অনৌবা কেস ৪৪ এজেন্সি অসিনা কনফার্ম তৌখি।

# ট্রুম্পনা শরুক য়াখিবা কনফরেন্সতা য়াওখিবা অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্লে




ৱাশিংটন, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পসু শরুক য়াখিবা উখিবা হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা কঞ্জার্ভেটিভ পোলিটিকেল এক্সন কনফরেন্স (সী পি এ সী) দা য়াওখিবা মীশক অমা কোভিদ-১৯ গী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্লে হায়না অমেরিকান কঞ্জার্ভেটিভ য়ুনিয়ন (এ সী য়ু)না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
এ সী য়ুগী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখিবদা, কনফরেন্স অদু ৱাশিংটন দি সীগী খা থংবদা লৈবা মেরিলেন্দগী নেসনল হার্বরদা পাঙথোকখিবনি। প্রসিদেন্ট ট্রুম্পকা মীওই অদুগা মফম অমত্তদা পুনখি হায়না থাজনরিবনা কনফরেন্স অদুগী মাঙওইননি। ন্যু জর্সিগী হোস্পিটাল অমদা চাংয়েং তৌবদা মীওই অদু অনৌবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বনি।
রিজল্ট অদুমক সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না কনফার্ম তৌখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। ফেব্রুৱারি ২৬ তগী ২৯ ফাওবগী গেদরিং অদুদা ট্রুম্প অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।
থৌরম অদুদা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও, হেল্থ এন্দ হ্যুমেন সর্ভির্সেস সেক্রেটরি অলেক অজা অমসুং নৌনা ওফিস পায়রকখিবা হ্বাইট হাউসকী চীফ ওফ ষ্টাফ মার্ক মিদোজ য়াওনা কেবিনেট ওফিসলশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখিবনি।

# শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা কাবুলদা মীওই ৩ হাৎখ্রে



কাবুল, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
নোংমাইজিং নুমিত্তা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বশিংনা ইষ্টর্ন লোগার প্রোভিন্সকী প্রোভিন্সিএল কাউন্সিল মেম্বর অমা য়াওনা মীওই অহুম কাপ্পুনা হাৎখিবগা লোয়ননা য়ু এসনা লুচিংদুনা লালহৌবা গ্রুপ টালিবানগা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা নিগোসিএসন চথবা লৈরবসু অফঘানিষ্টানদা মখা তানা লেপ্পুনা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং থোক্লি হায়বদু তাক্লে হায়রি।
এটেক অদুদা লোগার প্রোভিন্সিএল কাউন্সিল মেম্বর নাসের ঘাইরট অমসুং মহাক্কী বোদিগার্দশিংগী মরক্তগী অনী শিখি অমসুং অতোপ্পা অমনা অশোক-অপন নংখি হায়না কাবুল পুলিসকী স্পোক্সমেন ফদাওস ফরামরজনা ফোঙদোকখি।
কেপিটেলদা থোক্লিবা মীহাৎ অদুগী মতাংদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সিটি অদুদা মীশি মীনাগী থৌদোক খরসু থোকখ্রবনি। ইরাই নুমিত্তা খুৎলায় পায়বশিংগী মখুত্তা লৈখিদ্রবা সিয়া লিদর অমা ওইরিবা অব্দুল অলি মজারিনা শিখিবগী কুমওন নুমিৎকী থৌরম অমদা নোংমৈ পায়বা মীওই অনীনা চথখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবদা মীচম ৩২ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ১৮০ রোম্না অশোক-অপন নংখিবনি। এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখি।
প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা কাবুলগী থৌরম অদুদা চথখিবা টেররিষ্ট এটেক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা দেলিগেসন অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে হায়না প্রসিদেন্সিএল পেলেসগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা সেদিক সেদিকিন্না ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।
মীওই কয়া টার্গেট তৌদুনা হাৎপা, পোলিটিকেল মীহাৎ অমদি অতৈ হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা অফঘানিষ্টান্দা অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইরকখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ওইবা প্রোব্লেম কয়ানা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োকহন্নদুনা লৈরি।
কাবুল অসি লো এন্দ ওর্দর লৈতবা মীওই খুদিংমক্কা মখোয় মখোয়গী অপাম্বশিং তৌবা য়াবা য়াম্না কিনিংঙাই ওইবা সিটি অমা ওইরক্লে হায়না মশাগী চহী ৩৭ শুরবা নুর অহমদ কৌবা টেক্সি দ্রাইভর অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

# লায়না শন্দোরকপা থিংনবা ইটালিগী লোম্বার্দি লোক দাউন তৌখ্রে

মিলান, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
খোঙজেল য়াংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবা ইনৌ নৌনা লৌখৎলকপা অকনবা খোঙথাং অমা ওইনা ইটালিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাইনান্সিএল কেপিটেল মিলান য়াওনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী লমদা চাওখৎলবা অৱাং থংবা লোম্বার্দি লোকদাউন তৌনবা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা মী চঙথোক-চঙশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রে।
মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা লমদম অদুদা অসিগুম্বা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্লিবা অসিনা লমদম অদুগী মীওই মিলিয়ন ১৬ রোমদা চৈথেং নংহল্লগনি। প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপে কোন্টেনা হৌখিবা অহিংদা খুৎয়েক পীখিবা ওর্দর অদুনা মরম ওইদুনা লমদম অদুগী মীয়াম্না এপ্রিল ৩ ফাওবা অথিংবা অদু ঙাক্কদৌরিবনি হায়রি।
ইটালিয়ন গভর্নমেন্টকী অনৌবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী মতুং ইন্না মীয়াম্না ইটালিগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা লমদম ওইরিবা লোম্বার্দি অমদি অতোপ্পা লমদম মরিগী প্রোভিন্স ১৪দা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী লমদমশিংবু থাদোকপা য়াদবগা লোয়ননা হায়রিবা লমদমশিং অদুদা মপান্দগী মীশিংসু চঙবসু য়াররোই। অথিংবা অসি চৎনগদৌরিবা সিটিশিংগী মনুংদা ভেনিস, মোদেনা, পার্মা, পিয়াসেঞ্জা, রেজিও, এমিলিয়া অমসুং রিমিনি য়াওরি।



মফমশিং অসিগী মীওই অমত্তা থবক্কা মরী লৈনবা মরমশিং নৎত্রগা হকশেলগী ওইবা মরমশিং শেংনা উত্তুনা প্রুফ তৌদবা তারবদি মখোয় মখোয়না লৈরিবা মফমশিং অদুদগী থোকপা নৎত্রগা মীশিংনা মফম অদুদা চঙবা য়াররোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর কোন্টেনা ফোঙদোকখি।
মখোয়না হৌজিক নেসনল ইমর্জেন্সি অমা মায়োক্লদুনা লৈরে হায়না পল্লদুনা কোন্টেনা মখা তানা হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরস শন্দোক্লিবা অসিদা ঐখোয়না পনখৈ অমা লৈহনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী হোস্পিটালশিংনা পুবা থাংবা ঙমদবগী ফিভম অমা লাকহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা মিলান য়াওনা ইটালিগী অৱাং থংবা সিটিশিংগী লম্বীশিং মহৌশাদগী হেন্না চিক্লখি। গভর্নমেন্ট দিক্রি অদুগী মতুং ইন্না টার্গেট তৌরিবা জোনশিংদা লৈরিবা ম্যুজিম, জিম, কলচরেল সেন্টর, স্কি রিজোর্ট অমসুং স্বিমিং পুল পুন্নমক থিংলগনি।

# য়েমেনদা খুদক্তা ট্রুস চৎনহন্নবা য়ু এননা আপিল তৌখ্রে



সানা, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
ইরানগা মীচং ওইনরিবা হৌথি রেবেলশিংনা হৌখিবা চয়োলদা বোর্দরদা লৈবা ষ্ট্রেটেজিক সিটি অমা পায়শিন্দুনা লৈখ্রবা সাউদি অরাবিয়াগা লোন্নবা য়েমেনগী অৱাং থংবা লমদমদা খুদক্তা লান লেপ্পনবা য়ু এন্না আপিল তৌখ্রে।
কন্দিসন অমত্তা থম্নদনা খুদক্তা লান লেপ্পুনা মরী লৈনবা খুদিংমক্না শরুক য়াগদবা থাজনিংঙাই ওইবা মপুং ফারবা খুৎলায় থাদোক্লবগী প্রোসেস অমা হৌনবা ঐহাক্না মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌরি হায়না য়েমেনদা লৈবা য়ু এনগী এনভোই মার্টিন রিফিক্না থাংজ নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা ইফে ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
মহাক্না ৱাফম অসি সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্ট মিলিটরি ফোর্সশিংগী মফম ওইরিবা থাউ মরাং কায়না ফংবা মরিব প্রোভিন্সকী কেপিটেল মরিব সিটিদা চৎপা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ মনুংদা ফোঙদোকখিবনি।
মরিব অসি অল জাওফ প্রোভিন্সকী কেপিটেল অল-হজম সিটিগা নক্না অমদি সাউদি অরাবিয়াগী বোর্দর মনাক্তা লৈরিবনি। অল-হজম সিটি অসি হৌখিবা মার্চ ১ দা য়েমেনি রেবেলশিংনা পায়শিনখিবনি।
য়েমেন অসি হৌজিক অরুবা তানফম অমদা লৈরে। লৈবাক অসিদা নোংমৈ শীজিন্নবা পুমলেপ লেপহন্দুনা পোলিটিকেল প্রোসেস মখা চত্থহনবা নৎত্রগা ঐখোয় পুন্নমক্না অচৌবা কনফ্লিক্ট অমা পুরকপগী ফিভম অনীগী মরক্তা অমা শোয়দনা লাকপগী মওং অমা ঐখোয়না উবা ফংই হায়না রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা কেপিটেল সানাগী অৱাং নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ১৯৫ রোম লাপ্পা লৈবা মরিব সিটিদা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ঘরিফনা ফোঙদোকখি।
কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা গভর্নমেন্ট অমসুং হৌথি রেবেলশিংগী মরক্তা পৱার ষ্ট্রগল হৌখিবদগী য়েমেনদা লানগী ফিভম অমা লৈরক্লিবনি।

# মাইগ্রেসনগী টেন্সন হেনগৎলক্লিংঙৈদা রেফ্যুজি সেন্টর মৈ চাকখ্রে

এথেন্স, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
টর্কিদগী মাইগ্রেন্টশিং থোমজিল্লকপা হেনগৎলকপদগী টেন্সন হেনগৎলকখিবগা ইরোয়ননা গ্রীসকী ইথৎ লেজবোসতা লৈবা রেফ্যুজি সেন্টর অমা মৈ চাকখ্রে হায়রি।
বি বি সীগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, থাংজ নুমিত্তা ইথৎ অদুগী কেপিটেল নিটিনিগী মনাক্তা লৈবা ৱান হেপ্পি ফেমিলি সেন্টর মৈ চাকপা অদুদা অমাঙ-অতা চাওনা থোকখি। খুদক্কী ওইনা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু করম্না থোক্লকখিবগে হায়বা খঙবা ঙমখিদবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা মীশি-মনা থোকপগী পাউসু ফংখিদে।



হৌখিবা চয়োলদা টর্কিগী প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগান্না মহাক্কী লৈবাক্কী বোর্দর হাংদোক্তুনা রেফ্যুজিশিংবু য়ুরোপ্তা চঙহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবদগী মাইগ্রেন্ট চা কয়ানা ইথৎ অদুদা চঙশিন্নবা হোৎনখিবনি। তৌইগুম্বসুং ইর্দোগান্না মহাক্কী ফিরেপ্তা অহোংবা খরা উৎলদুনা টর্কিস কোষ্ট গার্দতা মাইগ্রেন্টশিংবু খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা এজিয়ন সি লাল্লগা গ্রীসতা চঙনবা হোৎনবদা অথিংবা পীননবা ওর্দর তৌখি।
উংখৎনবা হেনগৎলক্লিংঙৈ চৈরক অদুদা গ্রীস অমসুং টর্কিগী মরক্তা লৈরিবা কংফালগী বোর্দরদসু পুলিস অমসি মাইগ্রেন্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখি হায়রি। টর্কিদগী মাইগ্রেন্ট ১৪৯,০০০ গ্রীস পাংখ্রে হায়না টর্কিস ইন্টিরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকচখ্রবসু এথেন্সনদি শুপ্পগী মাইগ্রেন্ট ২৫২না বোর্দর লান্নবা হোৎনবদগী মখোয়বু ফাজিল্লগা অমুক হলহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।
মাইগ্রেন্ট ৩৬,৬৪৯ বোর্দর লানশিল্লকপদা থিংখ্রে হায়না গ্রীক ওফিসলশিংনা ক্লেম তৌখি। চৈরকসিদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না টর্কিদা রেফ্যুজিশিংবু গ্রীসকা তায়নবা বোর্দরদা পুনশিনবা য়াহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়বা অরানবা পাউ থেংননবা আপিল তৌখ্রে। সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী এয়রষ্ট্রাইক্তা ইদলিব প্রোভিন্সতা লৈরিবা টর্কিস লান্মী ৩৪ শিখিবা মতুং হৌখিবা চয়োলদা ইর্দোগান্না মহাক্কী বোর্দরশিং হাংদোকখিবনি। সিরিয়াগী ইদলিব অসি সিরিয়ন রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা লৈবাক অসিগী অরোয়বা প্রোভিন্সনি। টর্কিদা সিরিয়ন মিলিয়ন ৩.৭ লোম হান্নদগী চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি।

# কির্গিজষ্টানদা নুপীশিংগী রাইটস এক্তিভিষ্টশিংদা এটেক তৌখ্রে

বিসকেক, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
কির্গিজষ্টানদা পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নুপীশিংগী রাইট এক্তিভিষ্ট দজন কয়া ফাজিন্দুনা থমখ্রে।
মাইখুম উপ্পা নুপাশিংনা প্রোটেষ্টরশিংদা এটেক তৌখিবা মতুংদা পুলিসনা নুপী এক্তিভিষ্টশিং অদুবু মখা তানা দেমোনষ্ট্রেসন চত্থহন্দনবগীদমক্তা ফাজিন্দুনা থমখিবনি।



নুপী এক্তিভিষ্টশিং অদুনা সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাক অদুগী কেপিটেল সিটি বিস্কেককী স্কৱারশিংগী মনুংদা অমদা পুন্দুনা ইন্টরনেসনল ৱিমিন্স দেগা মরী লৈননা হাৎন-শুনবগী ইরাংশিংগী মায়োক্তা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লবা হোৎনখি।
তৌইগুম্বসুং মহৌশাগী কির্গিজ ফিজোলশিং শেৎপা খরা য়াওনা মাইখুম উপ্পা নুপাশিংনা প্রোটেষ্টরশিং অদুদা এটেক তৌখি। মখোয়না জর্নেলিষ্ট কয়াগী মমাংদা এক্তিভিষ্টশিং অদুনা শীজিন্নরিবা বেনরশিং মুন্দুনা শেগায়খি। মফম অদুদা পুলিস থুংখিবগা লোয়ননা এটেক্করশিং অদুসু য়াম্না থুনা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখি। মখোয়না মফম অদুদগী চৎখ্রবা মতুংদা পুলিসনা অয়াম্বনা নুপীশিং ওইবা এক্তিভিষ্ট ৫০ রোম মফম অদুদা ফাজিন্দুনা থমখি।
নুপীশিং অদুনা করি করি চার্জশিং মায়োক্লগদগে হায়বদি শেংনা খঙবা ঙমখিদে। হীরম অসিগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা বিস্কেক পুলিস দিপার্টমেন্টকী কমেন্টসু লৌবা ফংখিদে।
নমদুনা লুহোংবা অমদি দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী কেস কয়া পনবগা লোয়ননা এক্তিভিষ্টশিং অদুনা হায়রিবদি মীওই মিলিয়ন ৬ লৈবা হান্নগী সোভিয়েট রিপব্লিক অদুদা রাইটস-ৱিং আইদিওলোজি মথি ফোংলকপগী ফিভম অমা লাক্লিংঙৈ চৈরক্তা লৈবাক অদুগী নুপীশিংগী রাইটশিংগী ফিভম লেপ্পুনা শোকচিল্লক্লি হায়বসিনি। হৌখিবা দিসেম্বরদা কির্গিজষ্টানদা পাঙথোকখিবা মীয়াম মমাংদা নুপী অমনা মফি থোংদবগী শক্তম উৎখিবা আর্ট এক্সিভিসন অমা গভর্নমেন্টনা সেন্সর তৌখিবগা লোয়ননা গেলরি অদুগী হেদসু হাৎকনি হায়না কিহল্লকখিবা মতুংদা রিজাইন তৌখিবনি।

# পিছ টোক্তা নুপীশিং য়াওহন্নবা য়ু এন অফঘান মিসন্না আপিল তৌখ্রে

কাবুল, মার্চ ০৮ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী ৱারী শানবদা নুপীশিংবুসু য়াওহন্নবা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এন এসিষ্টেন্স মিসন ইন অফঘানিষ্টান (য়ুনামা)না আপিল তৌখ্রে।
ইন্টরনেসনল ৱিমিন্স দেগা মরী লৈননা য়ুনামাগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী পান্দমদা অফঘান মশেল ৱারী শানবগী খোঙথাং শোয়দনা লাক্লগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা নুপীশিংগী এদভোকেসি গ্রুপশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিংনা সোসল, পোলিটিকেল, সিভিক অমসুং ইকনমিক লাইফতা মখোয়না খুমাং চাওশিনবা ঙম্লিবশিং কন্নবগী অমদি চেৎশিনহন্নবগী লাল্লোংশিং পুথোকপদা মীৎয়েং থম্নবা হৌখি।



য়ু এন্না শৌগৎপা ষ্ট্রেটেজিশিং অসিগা লোয়ননা নুপীশিংবু ফোর্মেল পিছ নিগোসিএসন খুদিংমক্তা য়াওহনফম থোকই হায়বা পাক্তক্না য়ানরক্লিবা ৱাখল্লোন অসিনা অফঘানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবদা শোয়দনা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।
অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এন মিসন্না মালেমগী ওইবা থিমগী মখাদা লৈবাক অদুদা ইন্টরনেসনল ৱিমিন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখা তানা পনখি।
য়ু এনগী স্পেসল এনভোই অমসুং অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এন মিসনগী মকোক তাদামিচি য়ামামোতোনা হায়খি মদুদি, মরা তপ্পা অমসুং কাঙলুপ অমসুং সেক্সন খুদিংমক য়াওবা সোসাইটি অমা শেম্বদা অফঘান নুপীশিংবু এদ্যুকেসন, হেল্থ ক্যের অমদি থবক ইনখাং তৌবগী খুদোংচাবশিং ফংহনবা অমদি মখোয়বু পার্লিয়ামেন্টতগীনা পিছ টেবল ফাওবদা পোলিটিকেল ৱারেপ লৌবগী প্রোসেস খুদিংমক্তা মপুং ফানা শরুক য়াহনবগী তঙাইফদবা লৈ। অফঘানিষ্টানদা ফোর্মেল লেজিসলেসন অমসুং নেসনল এক্সন প্লানশিং য়াওনা নুপীশিংগী রাইটশিংগী মতাংদা শীংথানিংঙাই ওইনা খুমাঙ চাওশিনবা লৈরবসু সোসল অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা অচৌবা অয়েৎ অপন খরদি মখা তানা লৈরি।